# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ হৈগ্রেং/হৈঙ্গ্রেং

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**মতম** অমদা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মরাং কায়না হৌরন্নবসু ঙসিদি থোইদোক্লা উবা ফংজিল্লক্তরে হৈগ্রেং পান্বী। হৈগ্রেং পান্বী অসি ময়ায় ওইরপ্পা চাউবা দেসিদুৱস হায়বদি মনা য়াম্না কেনগনবা উ পান্বী অমনি। পান্বী অসি ইংলিসতা য়ুরোপিয়ান নেটল ট্রী নৎত্রগা মেদিটেরিনিয়ন হেকবেরি নৎত্রগা লোতে ট্রী নৎত্রগা হনি বেরি (Honey berry), ফ্রেন্সতা মাইকোকুলর (Micocoulier), জর্মনিদা জুর্গেলবোম (Zurgelbaum), ইটালিয়ান্দা পর্লারো (Perlaro) নৎত্রগা বাগোলারো (Bagolaro), পোর্টুগিজদা লোদোইরা (Lodoeiro) নৎত্রগা এগ্রেরা (Agreira) নৎত্রগা লদাও-বাসটার্দো (Lodao-bastardo), স্পেনিসতা এলমেজ (Almez) নৎত্রগা হোজারোঞ্জো (Hojaranzo) নৎত্রগা লোদোন (Lodon) নেপালিদা খারী (Khari), হিন্দিদা কু (Ku) নৎত্রগা বাতকর (Batkar) নৎত্রগা রোকু (Roku) নৎত্রগা খার্ক (Khark), ত্রেদকী ওইবা মমিংদা নেটল ৱুদ (Nettle wood) নৎত্রগা ব্রীমজী (Brimji), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সেলটিস অষ্ট্রেলিস (Celtis australis Linn)* হায়না কৌই অমসুং *উলমেসী (Ulmaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। হৈগ্রেং পান্বী অসি হৈক্রেং হায়নসু অদুমক কৌনৈ। অদুগা মসিগী বোটানিকেলগী ওইবা অতোপ্পা মমিংদা *সেলতিস লুতিয়া (C. lutea Linn.)* হায়নসু অদুমক কৌনৈ। য়াম্না লীরবা মতমদা হিরোদোটস (Herodotus), দিওসকোরাইদস (Dioscorides) অমসুং থিওফ্রসটস (Theophrastus) নচিংবা অফাওবা ফিলোসোফরশিংনা হৈগ্রেংগী মহৈ অদু য়াম্না থুম্বা, মহাও লৈবা মরম্না থম্বালগুমই হায়না শিংথানরম্বগী পাউদমসু লৈ। তেনিসন (Tennyson) গী ফাওরবা লোটোস-ইটরস (Lotos-Eaters) হায়রিবা শৈরেং অসি হৈগ্রেংগী মরমদা ইবনি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না হৈগ্রেং পান্বী অসি খা থংবা য়ুরোপ, অৱাং থংবা আফ্রিকা অমসুং এসিয়া মাইনর (Asia minor) দগী হৌরকখিবনি। পান্বী অসি কুমজা ১৭৯৬ তা ইংলেন্দা পুদুনা থাখিবগী ৱারী লৈ।

হৈগ্রেং পান্বী অসি খরা ইংতক তৌবা মফমদা চুশিন্ননা হৌই অমসুং ফুট ৪০ ফাওবা ৱাংই। লাবা অমসুং অমোমগী কয়াৎশিং (Organ) শিং অদু লৈ ১৩ দা পূন্না পানমিন্নৈ অমসুং নুংশিৎকী মতেংনা হকতিন্নবা হায়বদি (Wind pollination) ধারা-নালা শন্দোকই। মহৈ অসি সেন্টিমিটর ১ রোম চাওনা মতুম তায়। মহৈ অসি মুল্লবা কান্দা কোমলা মচু ওল্লকই অমসুং উচেক ৱায়াশিংনা য়াম্না পাম্না চান্নৈ। মহৈ অসিগী মনুংদা য়াওরিবা মরু অসি কেলকেরিয়স হায়বদি য়াম্না কল্লি। মরু অসি লৈমায়দা তাদুনা চারা শন্দোকপা পাক ঙমদে। মহৈ অসি উচেক্রা চাশিনখ্রগা মখোয়গী অমাংবদা য়াওরক্তুনা চারা শন্দোকপা ঙম্মী। পান্বী অসি মহৈ অদুবু য়াম্না পামজনা চাজবা উচেক মখল খরা ফংলক্তবদগীদি ঙসিদি হৈগ্রেং পান্বী অসিগী মশীং নোংমা নোংমগী থুনা হন্থরক্তুনা মতম খরগী মতুংদগীদি মুৎখিগদ্রা হায়না মীপাইবা ফাওনরি।



হৈগ্রেং পান্বী অসি গাড়ী অমসুং কল কারখানাদগী থাদোরকপা অমোৎপা মৈখু অদুনা নুংশিৎ-নুংশা শেংদবা মফমশিংদা নিংথিজনা হৌবা ঙম্বা মরম্না লম্বীগী মতায় অমসুং নুংশিৎ-নুংশা শেংদবা মফমশিংদা পাক-শন্না থানৈ। পান্বী অসিগী মহৈ অসি হিংনা নৎত্রগা থোংদুনা চানৈ। হৈগ্রেং



উগী মকুদগী হঙ্গাম মপাল মচুগী লং অমসুং উগী পোৎথোকশিং শংনবা মচু অমা লৌনৈ। পান্বী অসিগী উ অসি মহুৎ য়াম্না কৃপ্না কনবা মরম্না থাঙ-তেন অমসুং খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মখোক পান্নৈ। হায়রিবা উ অসি চৈশু শেন্বদসু য়াম্না পান্নৈ। শীং অমা ওইনা হৈগ্রেংগী উ অসি থোইদোক্লা মগুন লৈ।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৈগ্রেং পান্বীগী মনাদা Flavonoid C-glycoside অসি চাং য়াম্না য়াওই। হৈগ্রেং পান্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং শীংথানিংঙাই ওইনা য়াওবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না হৈগ্রেং পান্বীগী মনা অমসুং মহৈ অসি নুপীগী থাগী খোংকাপ কা হেন্না চৎপা অমসুং থাগী খোংকাপ লাক্তবা অসিদা কুইরবা মতমদগী হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। পুক নুংঙাইতবা অমদি থজিন শৌগৎপদা হৈগ্রেংগী মনা অসি থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। খোং হামথবা অমসুং ঈতোন ফাইবদা হৈগ্রেং পান্বীগী অনৌবা মহৈ অদু শুগাইরগা খোইহি খরা হাপ্পুনা পীথক্তুনা লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেন্বা অসি নোংমদা চামচ ২ গী চাংদাদা হাপ্তা অনীগুন্বদং চাং নাইনা পীথকপদা চাকখাও চাথৎপা অসিদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংগনি হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা পাউদমলি। হৈগ্রেং পান্বী অসি মুৎশিল্লকপগী মরমদি মহৈ অদুবু পাম্না চাজবা উচেক মখল খরা মাঙশিল্লকপদগী ওইবা মরম্না পান্বী অসি বাইওদাইভর্সিটিগী ইন্দিকেটর অমনি হায়না লৌনরি।

---

# লৈপাক নিংথৌ সলাইশিংগী হৈশোই

অনিলকুমার মাইস্নাম

**‘লাংবন হৈশোই ঈপান থাবা’** হায়বসি চহী অমগী মনুংদা লাংবন থাদা অমুক্তং পাঙথোকপা সলাই থৌরমলোনশিংগী মনুংদা ‘মহয় য়াম্না চাউবা’ লাই ওইখ্রবা ‘ইপা-ইপু’ শিংগীদমক অচংথোঙদা লৈহৌরিবা ইপা-ইপুদুগী ‘চাথাং-শুথাং’ ওইবা ঐখোয়না মপূ ওইবগী মফমদা থৌরাংজদুনা ইপা-ইপুদুনা ‘মপূ’ গীদমক তমজবা ‘লাংবন হৈশোই ঈপান থাবা’ থৌরম অমনি।

হায়রিবা লাংবন হৈশোইনা লাই ওইখ্রবা ইপা ইপু অদুবু অচংথোঙগী মশু-মচা ওইবশিংনা ‘অফবা মপোক ওইহনবা’ তা নত্তনা ইপা-ইপু লাই ওইখিবশিং অদুনা অচংথোঙগী শাগৈ সলাইশিংবু ‘পুন্সি নুংশাংবা, নুংঙাই-য়াইফবা, লৈপাক্কীসু য়াইফনবা, তেক্তা কাইদা তাইবঙদা পানবা ঙম্ন বা, মরুওইবা নীংশিং থৌরম ওইনা’ সলাইরেন মপূ ওইবনা তাইবঙ পানবা নমু পোং সলাইশিংদা য়েলহৌমী সলাইশিংগী থৌরম ওইনা চৎনহল্লকখিবনা- ‘শামৈরোং য়াংঙমথেন, চাউখোং হিদেন মরু’ মতমদুগী ‘ইনিংথৌ কাংবা’ সনা হাকথক্তা মনাই মশেন, ফম্নাইবা কয়াগা লোয়নননা দোলাই পাবোৎ লোন্দুনা ইনিংথৌনা খোংশাল্লক্তুনা হেল্লোইবা থৌরম হায়বদি - ‘অশি লাংবন হৈশোই লাং, মীৎলু লাইজ খুজোক্লা হৈশোই তম’ উজহৌইনা ফম্নাইবশিংতা নত্তনা মনাই মশেল কয়াসু হৈশোই তম্বা লোইরদুনা কংলৈ পুংদি পুংকোইরেন সনা কোনুং মতম্না মরাং য়াইদা ইতল্লকপা য়ৌরক্লেদো ইনিংথৌ।

ৱাতাই পুংদি ফম্বানকোন, ফম্নানথক্তা ফমদেংনা, কংলৈ মপূ ওইবনা অমদি য়াৱা মাবু পাউহংনা ফম্নাই-ফমথোন্তা নত্তনা লৈপাক প্রজা কয়াগা লাংবন হৈশোই য়াৱাবু ৱারী লিশাং মথাইএ ইনিংথৌদি কাংবনা। হোয়াজৈএ পূন্নমক, য়াৱারেনি, হেল্লোইবা কংলৈ নিংথৌ মপূগী সনা মপাউনি মখঞ্জা, কোরৌথক্তা কাফন্দা-মালেম লৈদা মাংফন্দা, অসিনসু মদোমদে।

ইপা-ইপু সনা হাকথক্তা, চাওখোং হিদেন মরুদা সনা মচুনা লৈতেংবা মীৎস্না লকানা তগুপ ওই, খোয়ুম ওইবনা লাংওনবা, সনাগী শজি নিংথিবা, নুমিৎলোইদি য়ূমচংবা, নোংদম্বগী নোংদমখোন, শাবন লমথোক-কোইনা লময়েং, মনাই-মশেন কয়াগা ইনিংথৌনা খোংশাল্লকপদা মীৎফম হোংদেএ, ইনিংথৌদো শমু মীৎচান্নখি। মদুতবু উবদা পাইমা নুংগী য়াৱানা কনখিবনা চীন্বাল লকা মওইরক্লবদা খোয়ুমগী লাংওনবা সনাগী শজিদো মায়কৈ মরি কোয়শিন্দুনা, লাংদাই পুংকোই পাউশাবদা, চেনঙমদ্রবা শজিদো, লিরুং তেঞ্জৈ মথোংনা, য়াইবী থৱায় মরৌথিএ মপূ ওইবদি ইনিংথৌনা। অশি য়াৱারেন্দগী-

নোংদমখোনগী থৌখাইনা লাইজা খোংদি অহকপা, খোয়ুম খুমন তাওরোই পাখংবনা য়াথোক খোং, শামৈরোং য়াংঙমথেন চাউখোং হিদেন মরুদা সনাগী শজি লৌখৎনবা ইনিংথৌ ইবুংঙোনা থৌখাইখিবদা ইনিংথৌগী য়াইবী থৱায় মাঙখিএ। ফম্নাই-ফমথোন, মনাই-মশেন কয়ানসু ইনিংথৌবু লাইজ ইরোলনুংদগী কন্নবা হোৎনবদা খোং মরু অদুদা পুন্না য়াইবী থৱায় মাঙখিএ। অশি য়াৱা লৈবনা ইপা ইপু ওইবশিংগীদমক অচংথোঙগী মশু-মচা ওইবশিংনা লাংবন হৈশোই ঈপান থাবসে কংলৈ সলাই পূন্নমক্লা তুংলমচৎতা খঙহৌরে। শামৈরোং য়াংঙমথেন চাউখোং হিদেন মরুদি ইপা-ইপুগীদমক তাইবঙ সলাই পূম্বনা অশি লাংবন হৈশোই ঈপান তমদুনা থৌরম মাবু মপাংখিবা ‘ইনিংথৌ কাংবা ঐগী সনা হাকথক’ ওইরসনু হায়না ‘নিংথৌ শিংকক পুয়া’ না কংলৈপাকসিদা ময়েক শেংনা পীখি।

অশি য়াৱারেন্দগী, মৈনা ৱাই তাংনা শম। ইনিংথৌ কাংবা সনা হাকথক্তগী লাংবন থাগী ‘অশি লাংবন হৈশোই ঈপান থাবা’ সলাইশিংগী থৌরমসি হেন্না ময়েক শেংহনবীরক্তুনা ঙসি ফাওবা চৎথরকখিবনি হায়বসি থৌরম্না মশক তাক্লি। অসিগুম্বা থৌরম অসিদা মফম অমদি মতমগী মতুং ইন্না লাংবন হৈশোইনা হৈশোই অচৌবা হৈশোই মচা, পুয়ানা অনী থোক্লা পীরি।

**অহানবা হৈশোই অমদি হৈশোই ৱারোল :**

ঐগী ঐগী য়ূমদা পাঙথোকপা শুমাং-মাঙ্গোন হৈশোইনা অহানবা ওইনা ময়াম্না খঙনবদা য়ূম্বুদুনা থৌরাংজদুনা মপূগী মফমদা তল্লগা ইপা-ইপুদুনা মপূগীদমক কৎপা হৈশোইবু ‘লাংবন হৈশোই ঈপান থাবা’ হায়না নিংথৌ শিংকক পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরি।

**হৈশোই ৱারোল :**

(মাগী মাগী সলাইদা হৈশোই ঈপান থাবা) হৈশোই শোইবা লোইরদুনা মৈরা-মেক্রুক কৎতুনা মাইওন্না নোংপোক ওন্দুনা শুমাং নৎত্রগা মাঙ্গোলদা সলাই অদু হায়গনি ‘ঙসি কৌবা নুমিৎলোইদা পুরোন-৯, পুরোন-৭ মক্তা খুরুমজরি। হাদা খোয়ুম মপূ-তাইবঙ পানবা সলাইগী ইপুধৌ-ইপুবোক, ইপা-ইমা-ইবেন (লৈখিদবশিংদুগী মমিং হায়দুনা) তোঙান তোঙান্না কৎকনি। ঙসি কোরৌ নোংসিদা ইপা-ইপু-ইবেন পলেম ইমানা কৎপনি, তাইবঙ পানবা মপূ শিদবগী মফমদা, ইপা ইপুনা তমজবনি। ঐহাক্তি অদুতগী থৌগনজবনি। ঐনা কৎপা নৎতে, পুরোন-পারোন-পিরোন অহুম্মক্লা কৎপনি।’

অসি হায়দুনা নুমিৎ কৌবা লাইদা খুরুমজদুনা হৈশোই ঈপান থাগনি। অসিবু পন্থৌ মাগী সলাইদা হৈশোই ঈপান থাবা কৌই। সলাই পুন্সিএ। পুরোন-পারোন মশক খঙবনে।

**অনীশুবা হৈশোই অমদি হৈশোই ৱারোল :**

শাগৈ সলাই নিংঙোল পিবা পুন্দুনা লাংবনগীদমক শাগৈদুগী নিংঙোলশিংনা পুরক্তুনা চাকলেন য়াওনা শিন্দুনা মাগী মাগী শাগৈ-সলাইশিংদা অচংথোঙগী মচা-মশু ওইবশিংনা মপূগী মফমদা থৌরাংজরগা তম্ববু লাংবন হৈশোইদা অচৌবা হৈকৎ লৈকৎলোন ওইনা সলাইশিংদা চৎনরি। অসিগুম্বা ইপা-ইপুগীদমক চন্না পাঙথোকপা থৌরমদুবু অনীশুবা ‘লাংবন হৈশোই ঈপান থাবা’ হায়নসু পুয়ানা ময়েক শেংনা তাক্লি।

**হৈশোইগী ৱারোল :**

(মপুরেন্দা সলাই ৭ না হৈশোই ঈপান থাবা) হৈশোং-লাংশোই, হৈরাং-লৈখন শুনা, চেঙ থোইদিং, মৈরা-মেক্রুক কৎতুনা, মায়ওন্দি নোংপোক তমদুনা অহানবদা নুমিৎ থাবু কোক নোঞ্জগনি।

‘হাদা মপুরেন সলাই শিদব-ও, খোয়ুম নফমলেন্দা য়াতারিবা পুরোন-পারোন-পিরোন অহুমসু সলাই-৭ না কোকনোঞ্জৈএ।

কুমজা অসি সলাই চাদি চাথাং-শুথাং পূন্বা অৱাং থোংদা লৈজরি। মপুরেন শিদবা পোকলেন্বা মফম্লাংদা লাংবন থাগী থানুংকোন অসি হৈশোই ঈপান থাবা, মপূগী মফমদা সলাই-৭ মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খা-ঙানবা, সরাং লৈশাংথেম নশু নচাশিংনা পুরক্লিবা হৈরাং-লৈরাং অসিনা হৈশোই ঈপান তমজরিএ। লাইরমলেন্দা তিনখ্রবা পুরোন পারোন পিরোলশিংনা মাগী মাগী সলাইদা কৎচরি। কুবিয়ুকো মপুরেন্না। নচা-নশু শুথাংবু নুংঙাই য়াইফ তন্বীরম্মু, হে হয়া হয়ুম।’ অসুম্না শোনবা লোইরগা লাইজা ঈশিংদা হৈশোই ইপানবু থাবিয়ু, সলাই-৭ পুনশিনবনে।

**কংলৈ মপূ, ফম্নাই-ফমথোন হৈশোই ৱারোল :**

মথক্কী মপুরেন্দা সলাই-৭ না হৈশোই ঈপান থাবা, অনীশুবা হৈশোই ৱারোলনা অপূনবা লৈপাক্কী ‘কংলৈ মপূ, ফম্নাই-ফমথোন’ কয়ানা লাংবন হৈশোই থৌরম পাংবদা অদুম্মক শীজিন্নবা য়াইএ হায়না নিংথৌ শিংকক পুয়ানা পীরি। অসিগুম্বা লাংবন হৈশোইবু কংলৈ মপূ ফম্নাই ফমথোনশিংনা লৈপাক্কীদমক লাংবন হৈশোই ঈপান তম্বদি ‘লৈপাক নিংথৌ পুন্সিএ, ফম্নাই-ফমথোন অকাবা ওইএ, লৈপাক চাহোং-ঙাহোংএ, সলাই পুন্সি নুংশাংএ, পুরোন-পারোন-পিরোল মশক খঙবনে, ঈ মশেল নুংশিনহন্দুনা লৈপাক মরা তম্না পাল্লে’ হায়নসু নিংথৌ শিংককনা পীরি।

**হৈশোই লোইবা নুমিৎ:**

কনাগুম্বগী ইমুংনা নৎত্রগা শাগৈশিংনা লাংবন হৈশোই ঈপান থারবদি তঙাইফদনা ‘অশিথোঙ থিংবা-অচংথোঙ হাংবা’ হায়বসি অচংথোঙনা অশিবগীদমক সলাই থৌরম পাঙফন্দবনা সলাই থৌরমলোন্না লাংবন থাসু নুমিৎ ‘লাইতাই মৈরা হনবা’ হায়বসিসু সনামহীগী মফমদা মচা-মশুশিংনা চঙজদুনা থৌনিজবদি লাংবন হৈশোইগী য়াম্না মরুওইবা, কাইফন্দবা থৌরম অমনি হায়নসু পুয়ানা পীরি।

**অশিথোঙ থিংবা, লাইতাই মৈরা হনবা:**

লাংবন থাসি, হৈশোই ঈপান থাবা লোইবা নুমিৎ লাইনিংথৌ সনামহিদা ‘চেঙবী ফাহৈ-৩ হৈদুনা, অনৌ অপেন, লৈ অঙৌবা লৈচন-৭, দখিনা - ১, মৈরা-মেক্রুক কৎচগনিএ। অচংথোঙদা লৈবনা অশিবগী পোৎলম পিহৈদবনা সলাইনা নোংপোক মায়ওনবনে। থৌরাংজবদি মচা-মশুগী সলাই মশিন্নৈ। হৈশোইনা নোংপোক ওন্না তম্বা লোইরবদা নোংপোক্তা লৈবা তুরেল নৎত্রগা পুখ্রিদা থাদবীগনি। অদুগা কোরৌথক্তা য়েংলগা ‘অশিথোঙ থিংঙে-অচংথোঙ হাংঙে’ ৱাহৈসি হায়দুনা হন্না য়েংলমদা য়ূমদা চঙলক্কনি। লাইনিংথৌ সনামহীদা চঙজদুনা তমজরিবা পোৎলমশিং অদু মৈরা লাংদুনা তাইরেন্না ঈশেংগনি।

**য়াৱারেন্দি :**

‘লাইনিংথৌ ইপা ইবুংঙো, ঙসি কোরৌ নোংসিদি লাংবন থাগী থাশুনি। হৈশোই তম্বা লোইবা নুমিৎনি। নুমিৎলোইসিদা অশিবা লাই ওইবগী ইপানা লাইতাই মৈরা হনবীয়ু। সে সে লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী অনীগী য়াথংনে। মৈরা অসিনা ৱাখৈরবনি। অশিথোঙ থিংলবনি-অচংথোঙ হাংলবনি, লাইনিংথৌ লাইরেম্বী ময়াথংনে। হৈরাং-হৈকৎ তম্বসু সলাই পুন্সি নুংশাংনা, চাহোং-ঙাহোংনা, নুংঙাই য়াইফ তন্বীরম্মু, নথানুংদা চেৎনা চান্না থাগোনবীয়ুকো।

হে-হৈ-হয়া, হয়ানে হয়ুম হে হয়ারে।

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) খামলৌ (খ) নোইনু

২। ‘‘মেলৈ লৈস্না নুংজুম্বান/কদাম্বদি লৈনুংশি/লৈরাং লৈচল খঙদনা/মাঙগদবা পাম্মুইদা।’’ কবি চাউবনা হায়রম্বনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘ঐগী মরুপ কবি অমনা/ঐগী মরমদা হায়খি/মহাক অশাউবা কবি ওইরম্বদগী/উতোন ৱাতোন য়েংবা/নোংথক কবি ওইরক্লে।’’ নোংথক কবিনি হায়রিবসি কনাবুনো?

৪। ‘‘অরিবতবু পামজরম্বা/... পন্থৌ নঙগী কবিতানা/মশা খপ্না চবুল চবুল/ইমাঙসিদা পাইররি।’’ কবিয়ত্রী ভানুমতিনা হায়বনি। ‘পন্থৌ’ হায়রিসি কনাবুনো?

৫। ‘মোমোন নোকহৌবী সিআম’ কৌবা লমকোয় ৱারী লাইরিক অদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।